ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জলাই ১৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১১শুবা মশীং

# মিনিষ্টরদগী রিজাইন তৌবা

## ঐখোয়শ্বাইদদি থোক্তবগুম্বনি

কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী মণিপুর লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিল্লে। অদুগা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দা লৈবাকসিনা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকপদগী পাঙথোরক্লিবা মীখলগী থবক-থৌরমশিংদা তোংশিন্নদুনা থরো-থরো ওনমিন্নরক্লে অদুবু মণিপুরগীদি ষ্টেটসিগী ওইনা লৈজরকখিবা পোলিটিকেলগী পুৱারীশিংগী লমায়শিং মথং-মথং হঙ্গৎনা ফাক্কৎতুনা য়েংলুবদা লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈ ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা বৃটিশনা থাদোক্লম্বদগীনা হৌজিক ফাওবদা লৈরকখিবা লৈঙাকশিংদা য়াওখিবা মিনিষ্টরশিংগী মরক্তগী রিজাইন তৌদুনা তোকথোকখিবগী থৌদোক থোকখিদ্রি হায়বা য়াই। শুংথোক থোকখিদবমক্তি নত্তে। অদুঙৈ কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সী পি আইগী টিকেটতা কারক্লম্বা নিংথৌজম মঙ্গিনা মতমদুগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওদুনা ৱায়েল পায়মিন্নরকপদা খরা হেন্না চাওবা পার্টিদুদা ওনশিন্দুনা লুপশিল্লু হায়বা য়াদে হায়বগীদমক মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌদুনা তোকথোকখিবা থৌদোক অমদি থেংনখ্রে। মরক-মহাদা মিনিষ্টর ওইখিবশিংনা রেজিগনেসন লেট্টর পীশিন্নবগী থৌদোক্তি থেঙ্খ্রাং খরদসু থোকখ্রে। অদুবু থৌদোকশিংদু ঙাইহাক্কী লৈঙাক পায়রিবশিংগী মরক্তা য়ানদবা, নীংঙাই তৌনবা হায়বদি মখোয় মশেলগী মরক্তা ঙাইহাক্কী ওইনা থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিং লোইনা ওইখি। হায়বদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ৱাথোক ওইবা ইস্যু কয়া লৈখ্রবসু মখোয়শিংদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর অমত্তনা মশাগী মোরেল রেসপোন্সিবিলিটি খঙনা থৌদাং লৌজদুনা মিনিষ্টর ফমদগী তোকখিবগী থৌদোকসি য়াওখিদ্রি হায়বমক য়াই হায়বনি। অদুম ওইনমক রিজাইন তৌবা য়াবগী থৌদোকশিং মণিপুরগী পোলিটিকেলগী এরেনাদা থোকখিদে হায়বদি য়ারোই।

অদুবু লৈবাকসিগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটৌরিশিংগী মনুংদা য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংদদি মকোক ইথোং-থোংবশিং য়াওনা মীয়ামগী মীহুৎ-লৈঙাক্লোইশিংনা মীয়ামগীদমক ওইবা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা মশানা পায়বা অৱাংবা ফমদগী মথন্তা কুমথজরকপগী থৌদোকশিং থোকই অমসুং থেংনৈ। ঐখোয়শ্বাইদনা থৌদোকসি ওইহল্লকপা/থোকহল্লকপা য়াবগী মতাং ১০০দা ১০০ চারবসু য়োংনা চু পায়বগুম খুবাম চেৎনা পায়শিন্দুনা লৈনরকখি হায়বসিমা ককনীংঙাই ওইদ্রে। অদুবু মিনিষ্টর অমনা মশানা ফল্লিবা ৱাংলবা চৌক্রি মখোঙ তেক্তুনা তারকপা/কিন্থরক্তুনা লৈমায়দা উপ্রাং শিংনা তাশিনবমক নৎত্রবসু মশানা খঙনা ইরেঞ্জনা কুমথজরকপা য়াবগী থৌদোক্তি অদুম্মক লৈবাক মীয়াম্না হকথেংনদুনা লাকই। ইনশোন কাংদনা লেপ্তনা থোকপমক নৎত্রবসু মরক-মরক্তা অদুম্মক থোকই। হন্দক চহীগী লৌউ পান্থ্রা মনুংসিদা লৌমীশিংনা লৌবুক্তা শীজিন্নগদবা য়ুরিয়া হারশিং মরাং কায়না অমসুং মতম চানা ফংহল্লগনি হায়দুনা লৈঙাক্লা মরু ওইনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা, মিনিষ্টরনা তৎতনা হায়রবসু চিনগা খূৎকা মান্নরক্তবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমসুং ঈরাংশিং থোকপগী পুমশা-শাগৎনদুনা লৈরিঙৈদা জুলাই ১১, ২০২২গী নুংথিল পোবোপ্তা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই লমখাইগী লন্নাই মীওই অমগী দুকান মনুংদা য়ুরিয়া হার বেগ ৪০০ পৈশিন্দুনা থন্নম্ফম থোকপ্রা হায়বনি। ম্যান্মাররোমদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়বা য়ুরিয়া হার ত্রক মপোৎ খরা পুলিসনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে। অদুবু হারশিং অদুদি লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌদুনা লৌমীশিংদা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী খূখাংদা ফংহল্লক্লিবশিং অদু ওইরমদবদগী মরী লৈনবা মিনিষ্টর ফাওবনা মখৌ পোংনা শেংদোকখি। অদুবু ৱাবগাই লমখাইগীসিদি কমদৌবা? হারশিং অসিগী মতাংদা এম এল এ অনীগী মমিংসু পন্নখি। পনগেরা/পল্লোইরা য়ুরিয়াশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী খূৎতগী চৎখিবা হারশিংনি। মতৌ করম্না করম্বা লম্বীদা লিৎতুনা চৎখিবনো হায়বা খঙদ্রি। অদুবু দুকান মপুদুনা লৌমীশিংদা বেগতা লুপা ১৫০০/১৬০০তা য়োনবা হৌরম্বনি। মতাংসিদদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা ফল্লিবা অৱাংবা থাক্কী চৌক্রিদু মৈথক্তা থাঙ্গৎপা ঙাংশং ঙাংলবা খাং ওইরক্ত্রিবরা? লেম্না কুমথরগা ঈংনা ফমহৌবনা শাফগদ্রা হায়বা ৱাহং হংনবা য়াওরক্লে হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতে ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (২,৩,৫)
*২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)*
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (২,৫)
৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৫)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৫)


*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৫গী ৱিন্নর*

*অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# পুলিসমেন অমদি পুলিসমান

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ওটোরিক্সো অদু অঙম অরায় খঙদনা থৌরকই। নুপী অমখক নুপী অনীনা কোল্লদুনা কপ লাউরদুনা হোস্পিটাল তম্না পুখৎলকপনি। ওটোরিক্সোগী মনিং থংবা মী ফম্ফমদা নুপা অনী অমসু ফল্লি। নুপী অমনা হায়রকই "ইবুংঙো, খরগা কন্না থৌনে।"

ড্রাইভর অদুনা কন্না নেৎলি। লম্বীদা খাকি মচু শেৎপা মীওই মরি/মঙানা গাড়ী চ্যেক তৌবা উই। গাড়ীগী চে চাং চ্যেক তৌনবা মখোয়না ওটোরিক্সো অদুবু মমাঙদগা লেপশিল্লগা খাল্লকই তাঞ্জাদুদা। গাড়ীদু পাম্বৈ লৈতদুনা খাম্মী।

"হৈ গাড়ীদু মুথৎলুনে, মী উশিত্তবা শারদনা। চে চাং য়েংগে কদাই?"

হেক হায়বগা ড্রাইভরনা গাড়ীদু মুথৎলি।

পুরক্লিবী নুপী অদু য়াম্না কন্না নাহেরি, "ঐ শিরে-শিরে, অয়ো-অয়ো ইমা, ঐ শিরে-শিরে"। মনীংদা তোংলম্বা হোস্পিটালদা পুখৎলিবী নুপীদুগী নুপা অদুনা তহা তহা কুমথরগা খাকি কাঙবু অদুদা হায়রকই, "হৌজিক অনাবা অসি ইমর্জেন্সিনি। হৌজিকপু করি চে চাংগী ৱা তোকপীখো। অনাবা অসিনা নাহেরিবা অসি তাবীয়ু। শোই ঙাল্লবদি হায়দুনা য়াম্না পাখৎলে। মতম মাঙহনবা য়াদ্রবনি, ইনাওশা।"

"করিনো হায়রিসিবু ফাগিরো হা? চে চাং অমত্তা শুদনবু গাড়ী থৌরবদি ফাবা তাবনি নিয়োমনি নিয়োম।"

লাকমিন্নবা চহী কুন্থ্রা শুদ্রিবা নারিবা নুপীদুগী মৌপ্বা অদুনা ফিংলপনা ফন লাউনা গাড়ীদগী চোঙথখি। অদুগা হায়রকই, "য়ারে চৎচরগে। মরৈ য়েৎনররোইসি। অনাবা অসি ঐগী ইচেনি। মাগী থৱায় কন্দবা য়াদে। নুপী ওইবীগীদি অঙাং উন্নবা অসি শিফম নাফমনি"।

নুপী অদু গাড়ী মনুংদুদা শিরদৌবগুম্না লাউ খোংলি। অমুকসু হে ঈশ্বর ঐবু লৌশিনবীরো হায়না কপ্লি।"

ড্রাইভরনা চে চাং মথং মথং লৌথোক্লগা গাড়ী পান্নবা মীওইশিং অদুদা পীশিল্লি। ফনা কুইনা চে চাংশিং অদু ফাকৎ ফাকথ তৌদুনা য়েংলবা মতুংদা হায়রকই, "নহাক্কী অসি টেক্স তোল্লে। টেক্স থিদোক্লমদ্রবদি চৎখিবা য়ারোই।" নুপীদুগী মৌপ্বাদুনা পিশুম শুক্লগা শাউনা হায়রকই, "ড্রাইভর থৌবিরো। মতম মাঙহল্লগুমসি। "টেক্স পীরমদ্রবদি চৎপা শুকয়া য়ারোই। পীরম্লগা চৎখিবা য়ানি। নৎত্রদি য়ারোই।"

নুপীদু অরোইবা খোঙফমদা শং শংদুনা লাওরি। লাক্লিবা নুপাশিং অমদি লাকমিন্নরিবা নুপী অনী অদু নুপীদুগী কপ লাউবদুদা তাবা ঙমদ্রে। লম্বীদা চে চাং চ্যেক তৌরম্লিবা মখোয় অদুদি থৌ ৱা ইশা শাদনা অদুম মখোয়না থোকপা মরৈ অদুম য়েৎতুনা লৈ।

মৌপ্বাদুনা শাউনা হায়রকই, "হৌজিক মদুগী মতম নত্তে। শেল অদুদি কোন্না পীনরো"। পুলিসশিং অদুনা হায়রকই "মদু নহাক্কী নথৌ নত্তে। ঐখোয়না হায়রিবসি ড্রাইভরদনি। নহাক ৱা অহেনবা য়াম্না ঙাঙগনু"। নুপীদুগী মৌপ্বাদুবু মখোয়না খূৎপাক্লা অনীরকসু থাজিনবীরে।

ড্রাইভর অদুনা লুপা ১০০ চৎপী অমা মখোয়দা পীবদা লৌ হায়বা য়াদে, চনী পীরবদসু লৌ হায়বা য়াদ্রে। লুপা ৫০০দগী তাবা য়ারোই হায়দুনা কন্না মুক্তুনা লৈখ্রে।

মনুংদা তোংলম্বা নুপী অনীদু চৈনা খাঙলিবী নুপীদু থাদোকপা য়াদে। মখোয়সু তাবা য়েংবা ঙল্লক্তবদগী হায়রকই, "ইবুংঙো নখোয় শেল চোপ্পা হেনমল্লিহে, খরা লৌরগা য়ারে।"

ড্রাইভর অদুনা লুপা চামঙা চৎপী অমা পীরে। শেল অদু লৌরগা করেম্নরা মখোয়না হায়রকই, "য়ারে, য়ারে চৎলো। নহা অমা য়াওবদু খরদি ৱারকউ। মানা অফাও শাবদা অনাবগী তাঙলবা মতম অসি কয়া মাঙহল্লে করিসু নত্তবদা। ঙসাইনা লুপা চামঙাসি কোক পীরগা অদুম চৎখিবা য়ারবা অসিবু।" শেল খরা হেক পীবগা টেক্সকী ৱাফমনিগা করিম হায়রক্ত্রে চৎলো হায়রক্লে চলান ফাওবা কক্ত্রে। খাকি শেৎপশিং অদুনা মী উশিত্তবা করেম্নবা মীনোক অমা নোক্লদুনা প্রপ প্রপ চৎলো হায়দুনা অসুম তানবগুম্না লাউরদুনা লৈ। অমরোমদা অনাবা পুরকপা ওটোরিক্সো অদুদি ষ্টার্ট তৌনবা ফনা লাক্লে অদুবু হৌদ্রে।

গাড়ীগী থোক থোক নোম্বা অদুদা নুপীদুনা চৈনা খাঙলদুনা হায়রকই, "ইমা ঐ শিরে। হোস্পিটাল য়ৌগদবা কয়াম ৱাৎলিবগে? ঐ শিরে"। মাগী মচিন্দা শিরে হায়বা ৱাহৈ অসি নুংশিৎমুক কূংই। নুপী অদু তূমিন লৈখি অদুগা ময়াম্না করি তৌখ্রবগে খন্নৈ। অমুক শিদা শিরদৌবা খোঞ্জেলদা লাউ খোংলকই। ময়াম তাবা ঙমদে ঙসাইমখৈ মাবু শেন্নরকপী নুপী অমদুনা হায়রকই, "ইবেন্মসে গাড়ী মনুংদা অঙাং উনরমাল্লেনেহে।"

তাঞ্জা অদুদা পুলিস কাঙবু অমা লাক্লগা মৌপ্বানুপা অদুদা ৱা খরা হংলক্লে। লাক্লিবা পুলিস কাঙবু অদুদা ঙসিগী মখোয়গী থৌদোক অদু শম্পৎনদং লীদং লীরুবদা মখোয়দা অফাও শারম্বা পুলিস কাঙবু অদুবু ফারগা পরেং শানা লেপহল্লগা অয়ো ইমা অয়ো ইমা লাউনা ফূধবা হৌরকই। অকোনবগী পুলিস কাঙবু অদুনা হায়রকই, "মখোয় অসিনি পুলিস শারগা মসিগী লমখায় অসিদা মীঙোন্দগী অয়ূক নুংথিলদা হন্দক মরক শেল খায় হায়বদো। ঙাওশিন্নবা অঙাং ঙাক্তনি মখোয় অসি।"

হান্নগী পুলিসমানশিং অদুনা কপ্পগা অকোনবগী পুলিস কাঙবুদা লাঞ্জরে অমুক্তদি কনবিয়ু হায়দুনা উপ্রাক্লা উপ্লগা খুরুম্মী। অদুবু মখোয়বু পুলিস অশেংবশিংনা অদুম য়ৈর য়ৈরগা পুবিখ্রে। নকলি পুলিস মখোয় মঙামক য়ুনিফোর্মগা লোইনা লৌথোকহল্লে অদুগা খোঙগ্রাও মচা অমমম থারিবা অদুদমক নত্তনা করি অমত্তা শেৎহনখিদ্রে। ফত্তবা মীদি অফবা মীনা ৱারকই। (অনাবগী কাঙবুগী ওটোরিক্সো অদু হোস্পিটাল য়ৌরদুনা মনুংদা থৌজিনখ্রে। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নাপু-নাপী # ৩৫০

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা য়াম্না মরাং কায়না হৌবা অদুগা মশক অদু খোংজাই নাপী মাল্লপ তৌবা নাপু-নাপী পাম্বী অসি ঐখোয়না থৌৱা ইশা শাবিদ্রবসু পাম্বী অসিদা হায়রিবা হীদাক্কী ওইবা মগুন অসিদি থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওই । নাপু-নাপী অসি ইংলিসতা পরপল ফ্লীবেন (Purple Fleabane) নৎত্রগা এস কলর্দ ফ্লীবেন (Ash coloured Fleabane) নৎত্রগা লিটল আইরন ৱীদ (Little iron weed), হিন্দিদা সাহাদেবী (Sahadevi), সংস্কৃততা উত্তমকনয়াকা (Uttamkanyaka), বেঙ্গোলিদা কুকশীম (Kuksim), কম্বোদিয়াদা কবাল রুই (Kbal ruy), মলেসিয়াদা লিদা অনজিং (Lidah anging), জপানিজদা য়াম্বারু হিগোতাই (Yambaru higotai), লাওসতা ন্যা ফেন দিন য়েন (Nya phaen din yen), বর্মিজদা ব্যাং-কাই-পিন (Byaing-Chay-pin), ফিলিপিনোদা অগাস মোরো (Agas maro), থাইদা য়া-সাম-ৱান (Yaa-saam-wan), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ভর্নোনিয়া সাইনেরিয়া (Vernonia Cinerea (L.) Less) নৎত্রগা কোনিজা চাইনেন্সিস (Conyza Chinensis L.) নৎত্রগা ভর্নোনিয়া এব্রিভিয়াতা (Vernonia abbreviata DC.) নৎত্রগা ভর্নোনিয়া পারভিফ্লোরা (Vernonia parviflora Reinw. ex Blume) নৎত্রগা ব্লুমিয়া চাইনেন্সিস (Blumea chinensis (L.) DC.) হায়না কৌই অমসুং এসতরেসী (Asteraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - খোংজাই নাপী (এজেরেতম কোনিজোইদিস), নুমিৎলৈ (হেলিয়ান্থস এনুস), উচি শুম্বন পাম্বী (ইক্লিপ্তা এলবা) অসিনচিংবনি।

নাপু-নাপী অসি সেন্টিমিটর ৯০ ফাওবা ৱাংবা, মতোন্দা মসা-মরেং য়াম্না লোংবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অমসুং লৈশিং অদু হেক য়েংবদা খোংজাই নাপী মাল্লপ তৌই। পাম্বী অসি নাপু নাপী কৌনবগী মরমদি পাম্বী অদুগী লৈশিং অদু নাপু মচু ওইবদগীনি। চহী অমরোমতমক পুন্সিগনবা নাপু পাম্বী অসি এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, নেপাল, বাংলাদেশ অমসুং অফ্রিকাগী লমদমশিংদগী হৌরকখ্রবসু ঙসিদি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা শন্দোক্তুনা হৌখরে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি ষঞ্জাবুংগী অকোয়বা, লম্বীগী মতাই, খোংবান-লুপান অমদি তুরেলগী মপালশিংদা তোয়না হৌবা থেংনবীগনি।

নাপু-নাপী পাম্বী অসিগী হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অদু য়াম্না শীংথানীংঙাই ওই। ইন্দিয়াগী অরিবা আর্য়ুবেদিক ফার্মাকোপিয়াগী অনা লায়েংদা নাপু-নাপী পাম্বী অসি য়াম্না তোয়না হৌগনবা অরুম-লাইহৌ, নুপীনা ফিঙৌ চৎপা, পোম্বা অমদি অপাৎপা, অশাবা লমদমশিংদা য়াম্না তোয়না নাগনবা ফিলারিয়াসিস (Filariasis) হায়না খঙনবা কাঙনা শন্দোক্কনবা ঈগা মরী লৈনবা লিম্ফ নোদস (Lymph nodes) অমসুং লিম্ফ ভেসেল (Lymph vessel) লায়নাশিং অসিগী হীদাক শাবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। অঙাংশিংনা ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা অমদি লীক্লা চৎপদা নাপু-নাপী পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। খোঙ কন্না হামথবা, থজিন শাওগৎপা, লোক থুংবা অমসুং পুক নুংশিৎ কাবদা নাপু-নাপী পাম্বী অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা খোনগুম্বা অমদা শুগায়রগা লৌবা মহী অদুদা অচা-থুম খরা তুমহল্লগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। তোন্সিলাইটিস (Tonsilitis) হায়না খঙনবা ঙৌবোম্বী তৌবদা নাপু-নাপী পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অমসুং মতোন অদু লাদা য়োল্লগা অচাকপা মৈতালদা মুন্না লৌরগা অকুঙবা ফিনা য়োল্লগা ফোং-ফোং শারিঙৈদা ঙৌবোম্বী তৌফম অদুদা হীগা য়ৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং অদুদা নাপু-নাপী পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা নোংমদা অহুম্লক নুমিৎ ১৫-২০ লোম তৈবদা য়াম্না কান্নহনবগী পাউদমসু লৈ। য়াম্না লিরবা অনা-লায়েং পথাপ্তা নাপু-নাপী পাম্বীগী মরা অদু শুগায়রগা শুমদুনা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা শুমজিন্দুনা অপাৎপা অদু লায়েংনরক্লি। লেপ্রোসি হায়না কৌবা কুষ্টি (Kushti) লায়না অসিদসু নাপু-নাপী পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু শুগাইরগা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবসু য়াই। ঈশিং মরীদা নূঙ লৈরবদি নাপু-নাপী পাম্বী অদু পোপ্লি-পোপ্লি শুগাইরগা অফবা ঈশিংদা অহীং অমা তিংলগা মহী অদু চাজুম অমদা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা নোংমদা অনীরক নুমিৎ ২০-২৫ রোম পীথক্তুনা ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা লায়েংনৈ। য়াম্না কন্না য়া চিকপদা নাপু-নাপী পাম্বীগী মরা অদু পোপ্লি-পোপ্লি শুগাইরগা অনাবা য়া অদুগী য়াখোঙদা থোম্বদা অনাবা চৈনা অদু হন্থহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। হায়রিবা অশেম্বা অদু জিনজিভাইটিস (Gingivitis) হায়না খঙনবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসিদা নাপু-নাপী পাম্বী অদু ঈশিংদা ফুৎলগা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। চাইনাগী অরিবা অনা লায়েংদা নাপু-নাপী পাম্বী অসি অপোম অতং অমসুং কেন্সর মখল খরা লায়েংবদা শীজিন্নৈ হায়বগী পাউদমসু লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না নাপু-নাপী অদু ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অদুদা শুগায়রগা শেম্বা মহী অদু উচেক-ৱায়া অমসুং য়েনদা নাগনবা ভাইরসনা থোকহনবা রানিখেৎ দিজিজ (Ranikhet disease) অসি ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না য়োন (Youn) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৫দা পাউদমখি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫গী পাউখুম

১) **"তনৌ তনৌবী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - নিংসন লৈশিৱোন; লাইরিক্কী মখল- নোভেল; অহানবা ফোঙবা, ২০১৪।**

২) **"দ গাইদ: লমজিংবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো ? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - আর কে নারায়ণগী ইংরাজিদা ইবা The Guide হায়বা লাইরিক্তুদগী মণিপুরীদা আই আর বাবুনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা, মার্চ ২০০৩।**

৩) **"শাবন য়ূম্ফম"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - লনচেনবা মীতৈ; অহানবা ফোঙবা, ২০০৮।**

৪) **"শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো? **:- কবিগী মমিং - রাজ কুমার ভুবনস্না; লাইরিক্কী মমিং - মৈ মমগেরা বুদ্ধি মমগেরা; শৈরেংগী মমিং - য়ুগী নেশা; অহুমশুবা খূৎনম, ফোঙবা মার্চ, ২০১২।**

৫) **"নূর বেগম"** হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:-অইবা- ইবোতোম্বী মঙাং; লাইরিক মখল - উপন্যাস; অহানবা ফোঙবা মে, ২০১০।**